# খুরাই মায়কৈদা লৈজরগসু য়ু এস এ টিমদা য়াওদুনা অমুক্তা শান্নবা ফংজরক্তে : কোন্সম বিরেন



কোন্সম বিরেন




(হান্নগী মখা...)
মেট্রিক ফেলগা ওইরকপদুদগী তৌফম খঙদদুনা গ্রাউন্দদা লৈখিবা মতাং অমসু য়াওখি। ইথক্তা লৈবা ইয়াম্বশিংসু লাইরিক লাইশুগী মী ঙাক্তা ওইবনা ইকায়বা অমসু ফাওখি। ঐনা শান্নবদা মখোয়দি ইনকরেজ তৌবসু নত্তে। শান্নরগা করিবু কান্নবা, নখোঙ-নখূৎ তেক্লগদি কমদৌনি হায়দুনা ঙাঙবা ঙাক্তনি। মরক্তুদা শান্নমিন্নরকপা মরুপ মপাং খরসু অহানবা মেট্রিক থাবদা লোইনা লানখি। অদুনা খরা লুনা লোইনরম্বা খরদগীসু ইকায়বদগী লাপথোরকখি। নোগেনহোয়সিসু অহানবা মেট্রিক থাবদা লানখিবনি। সোমদনা ঐদি মেট্রিক ফেল ওইবদগী লম্পাক্তা অদুম অয়ূক নুংথিল নাইদনা প্রেক্টিশ তৌবদগী বোল ফনা য়াম্না ইমপ্রুভ তৌরকখি।

শান্নবগী ফোম মথং মথং তারকপদগী ফুটবোলদা অদুম লুপখিদুনা ষ্টদিগসু মরক্তা খরা লেপখি। অহলশিংনা ঙাঙবগদুসু থোইনা তাখিদে। ফেল ওইবগী ইকায়বদু শান্নরগা খাঙখি। অদুমাইনা শুম লাকপদগী কুমজা ১৯৭৭/৭৮কী নেসনল স্কুল গেমসকী কাশ্মীরদা শান্নরুনবা মণিপুর টিম শেম্বদা ঐহাকসি সেলেক্সন ফংজখি। কাশ্মীর চৎপসি দি এম কোলেজদা ফিজিকেল ইন্সত্রক্টর ওইবীরম্বা ওজা মেঘগা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী জোইন্ট দিরেক্টর পুবিরম্বা এন কে শিমরেগনা মেনেজর অমদি এসিষ্টেন্ট মেনেজর ওইরগা পুবিখি। মতমদুদা হৌজিকতৌনা স্পোর্টস দিপার্টমেন্টসি তোঙান্না লৈত্রি। এদ্যুকেসনগী পার্ট অমা ওইনা লৈরি। হায়রিবা মতমসিদদি ঐহাক মেট্রিকসু পাস তৌরে। অদুবু ঐহাক স্কুলগী টিমগী হান্না সেলেক্সন তৌখিবনা শান্নবদু চৎচরকখি। ঐগী ওইনদি মদু পুন্সিগী অহানবা ওইনা মণিপুরগী ৱাংমদা চৎপনি। শান্নবদুসু ঐখোয় ক্বার্টর ফাইনেলদা লৈহৌখি।

মদুদগী হল্লক্লগা লৈরিঙৈ মতম ইকান কান্নদনা মণিপুর পুলিসকী স্পোর্টস পার্সন খরা লৌগনি হায়দুনা পাউ তারকখি। হায়রিবা মতমদু সার ৱাইখোম দামুদোরনা দি আই জি ওইরি। চে থোরকপা মতমদা হান্না শান্নরকপশিংদা খুদোংচাবা পীগনি হায়বা অমসু য়াওরকখি। মেট্রিক পাস তৌরবনিনা ঐসু এপ্লাই তৌরে। অদুমাইনা ঐহাকসি কুমজা ১৯৭৮দদি সিফাই চঙলে। চহীদুদা ঐহাকসি এ দিভিজন্দা য়ঙ ফিজিক্তা ত্রান্সফর তৌরে। অদুগা ঐহাকসি খুরাই মায়কৈদা লৈজরগসু য়ু এস এদা শুকশান শান্নরক্তে। সার কামিনিনা শুম তৌরুবগী ৱানি। মতমদুদদি য়ু এস এগীসু অরিংবা প্লেয়র ময়াম অমা লৈবনিনা ঐখোয়না হায়জিল্লুবগা ঙম্বা নত্তে। অদুনা ইশাগী খুদোংচাবা ফংবা য়ঙ ফিজিক্তা ঐসু অদুম চৎলে। ক্লবতুদা ঐহাক রেজিষ্টরসু তৌরে।

অমরোমদনা, ঐহাকসি পুলিসতসু খল্লে। হেক খনবগা ত্রেনিংসু পাঙ্গৈদা তৌখি। ঐহাক্লা কন্না শান্নখৎলকপা মতমসি মণিপুর পুলিসকা য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়নগা অনীসি সী সী মীটতা কন্না ফাইনেল থেংনবা মতমনি। ক্লব অনীসিনা সী সী মীট ফাইনেল শান্নবা হৌরকপসি কুমজা ১৯৭৬তগী হৌরে। অহানবা থেংনবা কুমজা ১৯৭৬পুদি য়ঙ ফিজিক্লা ফাইনেল লৌই। মদুগী মথং কুমজা ১৯৭৭, ১৯৭৮দদি পুলিসনা লৌই। কুমজা ১৯৭৯দদি সী সী মীট তৌখিদে। কুমজা ১৯৮০গী সী সী মীটতা মণিপুর পুলিসকা য়ঙ ফিজিক্লা অমুক তারে। -মথং-মথং

## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

### অকাউ পরৈ চল্লুরবশিং



HL-P/4705/5-9,11,13,15,17,19,21,23,25....



HL-B/4170/15/10-14/

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৫৯

১. মপানা পঞ্জাবী, মমানা ইংলিশ নুপী, মহাক্লা ওলেম্পিক্কী সাইকল লমজেলদা মকোক ওইদুনা সনাগী মেদল ফংখি। মহাক কনানো?
২. ইন্দিয়াদা পাঙথোকখিবা চহী ১৭ মখাগী ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল অদুদা করম্বা লৈবাক্লা হৌজিক মহাক্কী 'লোয়লম' ওইদুনা লৈরিবা লৈবাক্কী টিমগা মায়োক্লনা শান্নখিবগে?
৩. মিটর ৩০০০গী ষ্টিপল চেজদা লেপ স্কোররশিংনা মশীং থিবা লানখিবদগী লমজেল্লোয়শিং অদুনা ত্রেক্কী অকোয়বদা চেল্লিবা অদুবু রাউন্দ অমগা মিটর ৬০ হেন্না চেলহন্দুনা মিটর ৩৪৬০ চেলহনখি। থৌদোক অসি করম্বা সহরদা, করম্বা চহীদা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক্তা থোকখিবগে?
৪. নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া হায়না মমিং থোনবা টিম অমা ফিফাদা তোঙান্না এফিলিয়েট তৌদুনা ৱর্ল্ড ফুটবোল কপ্তা শরুক য়াবা য়াদে, ইন্দিয়াগী টিম ওইনা শরুক য়াগদবনি। হন্দক্কী ইন্দিয়াদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কপ অন্দর-১৭ অদুদা লৈবাক অমগী টিম নত্তবা, লৈবাক অমগী নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগুম্বা অমা শরুক য়াহল্লিবা টিম অদুগী মমিং করি কৌবগে?
৫. পীরিবা শক্তম অসিগী মমিং হায়য়ু।



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫ য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# কম্মনৱেলথ শুটিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৭তা ইন্দিয়ানা পূন্না মেদল ২০ লৌবা ঙমখ্রে



ব্রিসবেন, নবেম্বর ০৬ (এজেন্সি) : ওষ্ট্রেলিয়াগী ব্রিসবেন্দা হৌখিবা ওক্টোবর ২৮দগী হৌদুনা চথরকখিবা কম্মনৱেলথ শুটিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ ঙসি লোইশিনখ্রে। চেম্পিয়নশিপ অসি লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়ানা পূন্না মেদল ২০ লৌবা ঙমখ্রে।

কম্মনৱেলথ শুটিং চেম্পিয়নশিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা অরোইবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা নুপাগী মিটর ৫০গী রাইফল থ্রি পোজিসন্স ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী সটেন্দর সিংহনা গোল্ড অমসুং সঞ্জিব রাজপুটনা শিলভর মেদল লৌখি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা ইন্দিয়ানা পূন্না গোল্ড ৬, শিলভর ৭ অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ৭ লৌখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী অরোইবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা নুপাগী মিটর ৫০গী রাইফল থ্রি পোজিসন্স ইভেন্ট অদুদা সটেন্দর সিংহ অমদি সঞ্জিব রাজপুটখক নত্তনা আইট মেন ফাইনেল মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী চ্যেন সিংহসু শরুক য়াখি। অদুবু চ্যেন সিংহদি মেদল লৌবা ঙমহৌদ্রে। সটেন্দরনা ফাইনেল রাউন্দ অসিগীদমক পোইন্ট ১১৬২ স্কোর তৌদুনা অনীশুবা পোজিসন্দা লৈরগা ক্বালিফাই ওইখিবনি। অদুগা ভেটরান রাজপুটনা পোইন্ট ১১৫৮ স্কোর তৌদুনা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈরগা ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইখি। অদুগা রাজপুটকা চপ মান্নবা স্কোর তৌদুনা চ্যেন সিংহনা মরিশুবা পোজিসন্দা লৈরগা ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইখিবনি।

ফাইনেলদা সটেন্দর সিংহনা পূন্না পোইন্ট ৪৫৪.২ স্কোর তৌদুনা গোল্ড লৌখি। অদুগা রাজপুটনা পোইন্ট ৪৫৩.৩ স্কোর তৌদুনা শিলভর মেদল লৌখি।

